সনালৈবাক

## এডিটোরিয়েল

# লৈখায় তানবা হোৎনবা তায়

ষ্টেট অসিগী মরী লৈনবা দিমান্দ নৎত্রগা অতৈ হীরমশিংদা মণিপুর সরকারনা হেক–হেক মরক্তা য়াওহৌদবগী মাংজবা কয়া অমা মমাঙদা লৈখ্রে। লমদমসিদা মীয়ামগী অপান্বশিং অদু চপ চানা ফোংদোক্নবা হোৎনবদা খ্বায়দগী চাওবা থৌদাং অমা লৌগদৌরিবা অসি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেল্লিবা সরকার অসিনি হায়না খল্লি। মীয়াম্না য়াদুনা থাগৎখ্রবা মীহুৎশিং অদুনা ষ্টেট অসিগী ওইবা থৌশিল খুদিংমক অসিগী তোঙান–তোঙানবা প্লান অমসুং পোলিসিশিং শেল্লিবনি। মদু তৌজগে হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইখিবনি হায়বসি মীহুৎশিংনা কাওফম থোক্তে। ষ্টেট অসিদদি মরু ওইনা সেন্ত্রেল লিদরশিং লাকপদা মীয়ামগা উন্নবগী খুদোং চাবা অমত্তা ফংদে হায়না লৌবা তাই। মমাঙদগীসু মীয়ামগী মীহুৎশিংনা হায়বশিং অদুনা অচুম্বনি হায়না সেন্ত্রেল লিদরশিংনা মণিপুর খোঙচত্তা লাকপা মতমদা অদুমক লৌনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু মীয়াম্নদি সেন্ত্রেল লিদরশিংনা ষ্টেট লিদরশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু লোয়নমক চুম্লবনি হায়না লৌবদি ঙমখিদে। মসিদা সরকার পায়রিবশিংনা মীয়ামগী মত অমা লৌবগা লোয়ননা রুলিং পার্টিগী ওইনা পীগদৌরিবা মত অদু মীয়ামগী মতনি হায়বা চপ চানা ফিরেপ লৌনবা হোৎনবগী মথৌ তারব্রা হায়বসি ঙসিদি কন্না হংনরক্লি। ষ্টেটসিগী বোর্দরদা ফেন্সিং তৌবগী মতাংদসু ঙসি ফাওবা লৈখাই অমত্তা তাদনা লৈবগুম উই। মসিদা অমুক বোর্দরগী শরুক অদু খঙদোক্নবা লম ওনবগী থবক অমসু রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা পাঙথোকখ্রে হায়বসি মীয়ামদদি পাক শন্না খঙহনবা লৈখিদে। মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা সরকার অমসুং সরকারগী একজিক্যুটিব ওফিসারশিংনা তৌগদৌরিবা থবক অদুদি অমসুং মদুদগী ফংলকপা ফল অদুদি মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। মসিগী মরমদি দিমোক্রেটিক ওইবা রিপব্লিক গভর্নমেন্ট অমগী মখাদা লৈরিবা সিটিজেনশিংদা সরকারনা তৌরিবা অমসুং তৌগে খল্লিবা থবকশিং অদুগী চপ চাবা ঈ–পাউ ফংনবগী অমসুং ফংহন্নবগী হক অদু লৈফম থোকই হায়বসিনি।

হৌজিকপু এন এস সি এন গা ভারত সরকারগা ৱারী শান্নরিবা অসিগী মতাংদা করি, করম্বা থাক্তা লৈরবগে হায়বদু মীয়ামদা চপ চানা খঙহন্দে অমসুং মদুমক লোত্তুনা লৈরিবনি। মসিনা তাকপদি ৱারী শান্নরিবা অসিদা অরোনবা এজেন্দা খরা অদুমক লৈরে হায়বসিনি। মসি মীয়াম্না পেন্দদবা অমনি। মখা তানা অমুক মণিপুরগী মফমশিং য়াওনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌবগী মওংদা লৈরিবা য়ু এন সিগা ভারত সরকারগা ৱারী শান্নগনি হায়বসিদা মণিপুর সরকার য়াওগনি নৎত্রগা য়াওরোই হায়বগী লৈখায় তাবা ঙমদ্রি হায়বসি সরকার অসিগী ওইনদি খ্বায়দগী লাইবক থিবা অমা হায়বদু ওইফম থোকই। মসিনা সরকার অসিগী লাইবক থিবদা নত্তনা শান্নগদবা ৱারী অদু মীয়ামদা খঙহন্নবগী লম্বী অমসু ককখ্রবনি হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা অরুবা মতাংশিংদদি মণিপুর সরকারনা হেন্না মীয়ামগী খল্লগা পুক্লিং চঙনা য়াওনবা হোৎনফম থোকই। মতমদু খক্তদা ৱারী শান্নগদৌরিবা লুপশিং অদুনসু হেন্না দিপ্লোমেটিক ওইবা অমসুং য়ানগদবা মখলগী সোলুসন অমা পুরক্নবা মায়কৈদা মীৎয়েং চঙলক্কনি হায়না খল্লি। হয়েং কোন্না ৱারী শান্নবা লোয়দুনা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুং মীয়াম্না হৌ হৌ চোংবা অদুনদি য়ানখ্রবা ৱাফম অদু হোংদোকপা য়ারোইদবনা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা শিংচেপ থাজিনবদা লায়না থোকপা মরম অমা ওইহন্নবা মায়কৈদা লম্বী অমা য়াৎপগুম থোক্কনি। মসি তাহন্দনবা মতম লৈরিঙৈদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কুপ্না খন্নরগা তঙাইফদবা হীরমশিং খন্নবদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা ৱাফমশিং লৈহন্দনবা হোৎনবা তাই। তৌনিংবা তৌজরকসনু হায়বগী মওংদা লৈবা তারগদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী পোলিসি অমসুং মখোয়গা লেপথোক্নখিবা ৱাফম অদু শোয়দনা ইনবা তাবগী নৎত্রগা ইন্দবা য়াদবগী মওং অমা লাকপা য়াই। মদুদা মীয়াম্না শোয়দনমক্কী অকনবা ঈহৌ কয়া চঙশিল্লকপা মতমদা জুন ১৮ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নবা নৎত্রগা মদুদগী হেন্না কনবা ফিভম অমা মীহুৎশিংনা মায়োক্নবা য়াই হায়বসিমসু কাওফম থোক্তে। মসিনা মীয়ামদা ইশিনবা ওইনা লৌবসু তাঞ্জা–তাঞ্জাগী মতুং ইন্না লাকপগী ওইথোকপা কয়া অমসু লৈগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# গাড়ী থাবদা চৈনবা

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিং অসিগী মনুংদা খ্বায়দগী লম্বী চিল্লিবসি ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসিনি। মসিদা লৈরিবা লম্বীশিংগী মনুংদা অয়াম্বা লম্বীদি পার্কিং এরিয়া ওইনা ওহ্নোক্তুনা লৈরে। মসি নত্তবা ট্রাফিক পুলিসনা খ্বায়দগী মীৎয়েং চঙলিবা মফমদি বি টি রোডনি। বি টি রোডকী নাকল নামদি মরক মরক্তা পার্কিং ওইবা থেংনৈ। অদুগা কংগ্রেস ভাবন লৈরিবা লম্বীগী নাকল হায়বসি অৱাং থংবা শরুক অসিদদি পার্কিং তৌবা য়াদে হায়না লেপ্তনা ট্রাফিক পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা গাড়ী খুদিংমক তানবা লাউবা থেংনৈ। মসিগী মথক্তা অমুক নহা ওইরিবশিংনা থৌরকপা গাড়ীশিং চ্যেক তৌদুনা চে–চাং ৱাৎপগীসু লাইসেন্স পায়দবগী নৎত্রগা হেলমেট উপতবগী মীংদা ফাইন কয়া তৌরি। মসিদা লৌরিবা শেনফমশিং অদু সরকারদা কাবা নৎত্রগা কাদবা অদুদি মীয়াম্না খঙবা নত্তে। মসিদা থম্লিংলিবা সিটিজেন অমা ওইনা হায়নিংবা ৱাফমদি গাড়ী থাবা য়াদে হায়বা তারগদি ইশা–ইশানা খঙনা গাড়ী খামজিন্দবা অমসুং ট্রাফিক কন্ট্রোল তৌরিবশিংনা তঙাই ফদে হায়না থল্লিবা ৱাফমশিং অদু ঙাক্লা চৎপনা খ্বায়দগী মরুওই হায়বসিনি। মদু পুম্বা ঙাক্লা লদমসিগী মীয়াম্না চৎপা তারগদি নুমিৎ খুদিংগী ওর্দর ইল্লিবা ওফিসার মচা–মচাশিংগা চিন্দা–পাউদানদুনা খৎনবগী থবক অসি লৈরোই হায়না খল্লি। মসিগীসু মথক্তা মশা–মশাগী তৌফম থোকপা থবকশিং অদুখক্তমক লৈরিবা দিপার্টমেন্টকী পার্সোনেলশিংনা তৌহন্নিংই। মসিদা সরকারনসু য়েংশিনবা চংই।

*অদোমগী,*

**চন্দ্রাকুমার,** শিংজমৈ

# অকাম্বা ৱাথোক, লীচৎ কোমথোকপগী তেকচাক্লি!

(লীচৎকী মিয়েংদা)

খন্নসি–নৈনসি–২৯৩

**ৱাই চীঙ্খ্রে ঙানবা লুৱাং**

লিরবা মতমগী ইপা–ইপুশিংগী হাক্তক্তা 'লীচৎ' ঙাক্লা, য়াম্না চেকশিন্না চৎনরম্বগী লেঙদবা খুদম পুৱারিগী লমায়দা লেঙদনা চুক ওইনা লেপ্তুনা লৈরি। পুৱারী থওইদনা নৈনখিদ্রবসু চিনবুঙ য়ৈনা ঙাংনা–শক্নবা ফাওবদি, ঙসিগী মীরোলসিনা তানদে হায়বা য়ারোই। অরিবা মতমগী ফজবা থৌদোকশিং হকথেংননা থেংনরকপা, ঙসিগী মতমদা অহলসিংদা চল্লক্নবা খরমখৈদি লৈরি। লীক্লা লৈরিবা, অহল্লোলসিংদা চল্লবা চল্লবী খরা অসিনা মচা–মশুশিংদা, মতমদুগী ফজবা ৱারী শিংবুল লীদুনা, ফজবা লীচৎ ঙাক্লা চৎনবা তাকপী–তন্বীবদা, নাকোঙদা হাপনিংবা মচা–মশু অমফাওবা লৈত্রে হায়বসিসু হায়মনবা থোক্লরোই। মসিনা মরম ওইরগা, ঙসিগী মতমদা তমথিবা–অকি তুজুংবা, তাহৈ–উহৈদবা ৱাথোক শঙ্গু অমগী মরোন লোনখৎলকপনি হায়দবা ঙমদে। লীচৎ ঙাক্লা, চেকশিন্না চৎনরিঙৈ মতম অদুদা, ঙসিগী ৱাথোকসিগুম্বা য়াম্না লীক্লা থোক্লম্মী, ৱাথোক শুংলৈ–লৈখিদবগুম খন্নরিবনি। ঙসিদি নোংঙানবা নংবা নত্তে, মেদিয়ানা থোঙ থীন্দুনা য়ুমথোং খুদিং লেপ্তনা য়েল্লরি। ঙসিগী মতমদা করম্সন লায়না শন্দোক্লকপদগী হাৎন–শুনবগী ৱাথোক, নিংতম্বা মৎপিবগী হঞ্জিন্নবা লানহৌনা শন্দোরকপা মীহাৎ–মীপুন, মসিগী কাউন্টর লানহৌদগী থোরকপা অমসুং শেনখাই বোম–নোংমৈগী লাংদা থুদুনা ফংলিবা মীশিং–মীনা, লুৎ–পাত্তগী তেকচাক, নুপীগী মরীদা অকাম–অচোপ, হাৎপা–তুপ্পগী অকি–তুজুংলবা, হঙ্গোইরবা থৌদোক্কী ৱাথোক, থবক হাপ্পা লৌবগী শেঞ্জা–থুমজা, হিরম কয়াগী ৱাথোক–লাম্হোক পরেং লেপ্তনা লৈবগুম, অরোইবা মৈতোন উবা ফংদনা লৈরি হায়বসি ষ্টেট মীয়াম্না খঙলি–উরি। পূম্নমক অসিগী মনুংদা 'নুপীগা মরী লৈনবা' তুক্কচরবা ৱাথোক্লা, মালেম খুনাই মমাঙদা ইকায়–ফিরুক খুম্না, ষ্টেটসিগী মীয়াম্না খাঙলি। পূম্নমক অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি ষ্টেট অসিগী য়েলহৌ মীশিংগা লোয়ননা নৌনা ইমুংসিদা তিন্দুনা ষ্টেট সিটিজেন ওইখ্রবা ওইখ্রবী পূম্নমক্লা, মীরমচৎ–লীচৎ (মোরেলিটি) খোঙ্গাওনরে–কোমথোক্লে হায়বসিদি য়াম্নমক ময়েক শেংহল্লে হায়দবা য়ারোই। মসিগী মরম খরদং খুদম ওইনা হঙ্গৎনা নৈনজগে। ওইবা য়াবা (রিজনিং) মীৎয়েংদা থমজবনি, কনাগুম্বা কনাগুম্বী জেন্দর অমত্তদা মীৎয়েং থম্বা নৎত্রগা উশিত্তবা মতৌ নচ্চদে, ইতিকসু লৈজদে। তৌবদবু নৈনহৌদ্রগদি অহোইনদুম হেঞ্জিনখিদুনা মীয়াম অসি, য়াম্না শাথিবা লায়না মখল অমা ওইনা মালেম য়েক্নবা ওইরক্তুনা হিংফম খঙদবা পুন্সি ওইরক্কদ্রা খঞ্জরুবনা, লৈবাক্কী অখঙ–অহৈ, ইবুংঙো ইবেম্মা পূম্নমক্লা নৈনবিরক্নবা পো কাঙজবা হৌজবখক্তনি, পূম্নমক্লা লঙজবনি লৌবিগনু।

ঙসিগী মীরোল অসিগী হেক মমাঙগী মীরোল ফাওবা, মৈতোন ওইনা, মীরমচৎ–লীচৎ হায়বসি, য়াম্না কীনা–চেকশিন্না, ঙাক্লা চৎনরম্মী। মসিগী খুদম অমা পঞ্জবা তারগদি মীতৈ লাইপোক–অহল ৱাঙুসুশিংনা চেকশিন্না শেন্বীদুনা থম্বীরম্বা 'য়ুম্বাল্লোল' কৌনা খঙনবা পথাপ্না পীরম্বা চৎন–লিচৎপু মমাঙগী মীরোল ফাওবদা কায়দনা চৎনরম্বা, মমাঙগা ঙসিগগী লংদাই ওইরিবা, ঙসিগী মীরোলদা চহি ৮০ গী ময়াদা লৈরবা লৈরবী খরদা লেঙদনা মমি তারি। 'য়ুম্বাল্লোল' পথাপ অসি 'নুঙলোল' হায়বা অমা 'পান–লোল' হায়বা অমা অনি থোক্লা খায়রম্মী। 'নুঙলোল' পথাপ্তি মিমাং থোকপা য়াদে হায়না থুপ্লা থনম্মী। পথাপ অসিনা অফবা চাদা–নাউদা ফংহন্নবা, তাইবং চলহন্নবা পথাপনি। 'পান–লোল' পথাপ অসিনা, মালেম তাইবংপান্দা লৈমিন্নরিবা তাইবং মপোক অচৎ–চত্তা পূম্নমক, অমত্তা ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা, নুংশি–চান্নবা, অমনা অমগী মতেং পীনা–লৌনদুনা হিংমিন্ননবা, থকসি–খাসি খঙনা চৎমিন্নবা, মরু ওইনা লমচৎ লীচৎকা লোয়নবা পথাপনি। 'নুঙলোল' পথাপ তমফমদি কৈরোই–লৈকায়গী ওইনা পুন্না পুন্না তম্ফম লিংনৈ। তম্বী–তাকপীরিবনা, য়ুম্লেপ তম্লবা তম্লবী, য়ুম্বাল্লোল শুনা খঙলবা খঙলবীশিংনা, নুপীগীনা নুপীনা, নুপাগীনা নুপানা তোপ্না–তোপ্না তম্বীবা চৎনরম্বা থেংনৈ। নুপা–নুপী পুন্দনা নুপা নুপী অনিমক্তা, মশা–মশানা তৌগদবা তৌরোইদবা শিনশু–শিন্থাসু তম্বীবা চৎনরম্মী।

'পান–লোল' পথাপ্তি নুপাসু–নুপীসু মশা–মশাগী ময়ুম–ময়ুমদা, মপা–মমা ওইবশিংনা ফোংনা তম্বীবা য়াই। ময়ুম–ময়ুম্না তম্ফম শঙ ওই। পান লোলদি অফোংবা ওইবনা কৈরোই হায়বদি য়ুম্লোন্নবা, লৈকায়–খুঙ্গং, মফম পূম্নমক্তগী তম্বা য়াই। মতম শাংনা চৎনদুনা লাকখিবনা, ঙসিগী মীরোল মমাঙ ফাওবা তাহৈ–তৌহৈদবা ৱাথোক–লাম্হোক পঙথোক–থোকখিবা থেংনখিদে হায়বা লানগনি নিংদে। ঙসিগী মীরোল অসিদদি, নোংমা কানবদি লায়রদুনা নোংমদা মরোল কয়া লোনশিল্লি। মতাং অসিদা, মমাঙগী মীরোন্না চৎনখিবা লীচৎ মতেং অমত্তং তেন্না পুশিঞ্জগে।

য়ুম্বাল্লোল পথাপকী কাঙলোন্দা থমজগে। নুপা খুনাইবু 'মপান' হায়নসু খঙহল্লম্মী। মসিগী নুপা ওইবশিংগী শাহৌ–শাদা, শাওং, থৌওং–থৌদা–থৌরম্না 'অকনবা' মঙম পীরি। 'নুপী' খুনাইগী শাহৌ–শাদা–শাওং, থৌওং–থৌদা–থৌরমদি থোৎচা–নৌজবী, অখাঙ–কনবী, ইকায়থীবীনা মপুঙ ওইরি। অকনবা নুপা ওইবনা পাক চাওরবা, অয়াকপা মৈশা, অকনবা শহুমনচিংবা মায়োক্নরিবা 'মপান' লাম্হেংনৈ, অদুনা 'মপাল' হায়রগা খঙনহল্লি। থোৎচা–নৌজরিবী নুপীগী মপোক্লা, মশাগী মঙমগা চানবা য়েংলগা, ইমুংগী ওইবা থৌকুপশিংদা থৌশিন্নে। মসিনা মরম ওইরগা 'মনুং' হায়না খঙনবা লৈ। ইমুংবু মনুং হায়নসু মীতৈ ৱাঙুরোলনা পীরম্মী। পাল/মপানগী অকনবা থৌ পাঙবা, থোৎচা–নৌজবী নুপীগী মঙমদা লৈতে, অকনবা নুপা ওইবসু, পঞ্জাউ নত্তবা, ইমুংগী কুপনোম নোম্বসু ঙমদে। পালগী থৌজাউ, শোনবনা মরম ওইদুনা নুপীগী মঙমদা লৈতে, অকনবা নুপাসু থোৎপা–নৌবা–খাঙবগী মঙম য়াওদবনা ইমুংগী থৌকুপ পুবা ঙমদে। পালগী থৌজাউদি পোত্থাবা ফংই, নুঙগী থৌকুপ্তি পোত্থানবা মতম লৈতে, খাঙবা কনবগী মঙম লৈতনা থৌপুবা ঙমদে। মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা নুপাবু 'মপান অমসুং অকনবা' নি হায়না চৈথাই। নুপীবুনা 'ইমুং' অমসুং 'অখাঙ–কনবী' হায়না চৈথাই। খাঙবগী মঙম লৈতবা, অকনবা নুপা অমত্তনা মৈনিং কুন্দুনা নাউয়োকপা ঙমদে, মচাগী নিঙাই খাঙবা ঙম্বা মপা মালেমদা পোক্ত্রি। অখাঙ কনবী নুপী খুনাইসু পাঙ্গল ৱাৎপনা পানগী অকনবা মায়োক্নবা মায়থীবদি মহৌশানি, নুঙদা লোত্তুনা চেৎনা থমগদবা 'তাইবং শুমহৎ–য়াই' পান্দা পুথোক্তুনা লেন্নবা লঙজবা থোকই, ইকায়–ফিরুপ খুম্বদি ময়েক্লি। ষন্নাউনা শনবীগী তুং ইনবা নত্তনা লাবগী মতুং ইন্দবনি, অদুগুম্বা ষন্নাউগী হাক্ননবদা, ষনবীনা নাপী চিকপগী মহুত্তা ফি–ফি কামদুনা য়েক্নবা মায়োক্নবনি। মতৌ অসিগুম্না, মমা ওইবী নুপী খুনাইনা পান্দগী লোক্লকপা য়াইদগী ইমুংদা লৈহৌবা মচাগী খনবনা শরুক ৯৯ হেন্না তোংগনি, ইমুংগী কুপনোমদা খ্বায়দগী মরু ওইবদি অফবা মচা ওইনবা শেমগৎপনি। অফবা মচানা মমাগী মিংচঙ কনগদবনি, নুপী খুনাইনা ইমুংগী পনকুপ ঙাকপদি থাদোকপা য়াদবা থৌদাংনি। থৌদাং অসি লোরিবী মমা নুপীতনা মালেমদা মিংচৎ উরোং খিনবা ঙল্লিবনি হায়বসি য়ুম্বাল্লোলনা ময়েক শেংনা তাক্লি। নীংশিংবা য়াই– 'রাষ্ট্র পীতা গান্ধীজী' হায়না মালেম্না ইকায় খুম্নরি, গান্ধীজীবু থিরকপদা, বাপুজীবু থিরকপদা মহাকপু থাকসি য়ৌনা ইনখৎলকপী, অপোকপী পলেমগী মমিং লংথোকপা য়াগদ্রা? বাপুজীবু থাঙ্গৎলক্লিবমখৈ পলেম মাসু অসুম কাখৎলকপা মশানা তাবনি। খোঙমীদগী নিংথৌরেল কাখিবা 'নেপোলিয়ন বোনাপার্ট' না 'অফবা ইমা অমা পীয়ু, মালেম মায়থীবা পীগে' হায়না লাউদুনা, মালেমগী খ্বায়দগী হেন্না ফবী মমা থিরম্বদু, ঙসিগী নুপী খুনাইনা ওইনিংলোইদবগী মরম লৈরিগদ্রা?

পূম্নমক অসি য়েংলগা, গান্ধীজীগুম্বা, নেপোলিয়ানগুম্বা মচা পুথোকপা ঙম্বী মমা–নুপী ওইবিনবা লীচৎ (মোরেলিটি) চেৎনা–ঙাক্লা কোনবিনবা পাউজেল থমজনিংই। নুপা খুনাইসু লীচৎ চেৎনা ঙাকপীদুনা, মতিক চাবী, মিংচৎ লৈবী মমা ওইহনবা ঙম্নবা অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়ননা, নুপী খুনাইবু ঙাক্লৌ পীদুনা থৌনা হাপ্পসি হায়বা মেসেজ থমজরি। মপান্না মপানগী থৌদাং, মনুংনা মনুংগী থৌদাং লৌনদুনা মালেম থুংনা ফিদম য়েল্লসি। ফি তুবগা, য়ুম শাবগা হৈবা তান্নবা তোক্লসি। মসিতনা ষ্টেটসিদগী মরোল লোনখৎলিবা ৱাথোক মুথৎপা ঙমগদ্রা খল্লি।

# অচুম্বা লৌশিং ফংহনবদা লাইব্রেরিনা লৌবা থৌদাং

ডাঃ থৌনাওজম খোমদোন সিংহ

হান্নগী মখা....

শোক ১৯৬০ অদুৱাইদগী হৌনা কম্প্যুটর অসি শিনফম কয়াদা লাইব্রেরি য়াওনা শীজিন্নবা হৌরকই। কম্প্যুটরগী মতেংনা লাইব্রেরিগী দোকুমেন্টশিংদা য়াওবা কান্নবা লৌশিং কয়ামরুম্বু য়াম্না নিয়ম নাইনা পৈশিন্দুনা থন্নগা মদুবু দরকার ওইবা মীশক্তা অদুক্কী মতিক থুনা অমসুং মরিক চুম্না পীবা ঙম্মী। হৌজিক্কি মতমদদি কম্প্যুটরগী মতেংনা লাইব্রেরি অমনা অতোপ্পা লাইব্রেরি অমদগী অথাপ্পদগীবু ওইরবসু অনকপদগীবু ওইরবসু মাগী–মাগী লৈনরিবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং মদুদা য়াওরিবা মচাকশিং অদু য়েংবা অমসুং শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংবা অদু ফাওবা পীনবা ঙম্নরক্লে। অসিদসু নত্তনা কম্প্যুটরগী মতেংনা টেলিফোন অমসুং টেলেগ্রামগী মথৌ তৌহন্দুনা অনৌ–অনৌবা পৃথিবীদা থোক্লিবা ঈ–পাউ ফাওবা লাইব্রেরিদা ফন্নিবা লাইরিক পাবা মীওইশিংদা খঙহনবা য়াবগী থৌরাং চাওখৎলবা লৈবাক্কী লাইব্রেশিংদা লাইব্রেরি নেটৱার্ক থমদুনা চৎনবা হৌরক্লে। লাইব্রেরি নেটৱার্ক অসি ভারতকী মফম কয়াদসু মথং–মথং চৎনরক্লি। মণিপুরগী ওইনা হায়বা তারগনা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তঃ মণিপুর ইনিভর্সিটিবু ইউঃজিঃসিঃ না পায়খৎলকপা INFLIBNET (Information and Library Network) হায়না খঙনবা লাইব্রেরি নেটৱার্ক অদুগী ওইনা খৃষ্টাব্দ ১৯৯২ দা ভারতকী য়ুনিভর্সিটি ১১ (তরামাথোই) খনগৎপদা য়াওবা হৌবদগীনা ঙসি ফাওবদা ইন্টরনেটকী খুদোং চাবা কয়া শেল তিংবা তৌদনা হৌজিক হৌজিক তাঙল–তাঙলবা ফোরেনগী জর্নেল ৮৬৬৩ অমসুং লাইরিক, থেসিসনচিংবা পায়বা ফংলি। মসিনা মতম অমদা লৌশিং লোৎশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী অদু কোকহন্নবা হোৎনরি। চহি খরগী মতুংদদি লাইব্রেরি অসি ভারতকী য়ুনিভর্সিটি অতৈগা ইনফোর্মেসন লৌথোক লৌশিন নিংথিনা তৌনবা য়ারগনি। মতৌ অসুম্না রিজনেল মেডিকেল কলেজগী লাইব্রেরি অসিসু HELLIS (Health Literature Library and Information Service) হায়না খঙনবা মেদিকেল লাইব্রেরিশিংগী ওইবা নেটৱার্ক অমা সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনগী মনুং চনবা ষ্টেট অমা ওইনা য়াওরে। লাইব্রেরি অসিনা দিল্লিদা লৈবা NML (National Medical Library) গী খুত্থাংদা MEDLARS অমসুং MEDLINE গী খুদোংচাবা লৌদুনা পৃথিবীগী মরুওইবা মেদিকেল সাইন্সকী লেটরেচরগী মরমদা কুপ্পা খঙবা ঙম্লগনি। হৌজিক্তি পবমেডকী ৱেবসাইত চংলগা ডাক্তরশিংনা কান্নরবা অনৌবা লৌশিং কয়া ইরাই লায়না ফংবা ঙম্লে। চহি খরগী মতুংদদি লেমহৌরিবা লাইব্রেরি কয়াদসু লাইব্রেরি নেটৱার্ক নিংথিনা হৌদোক্লরকপগী থাজবা লৈ। নেটৱার্ক য়াওমিন্নবা লাইব্রেরিশিংদি অমগা–অমগা দোক্যুমেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন লৌথোক লৌশিন তৌনগদবনিনা লাইব্রেরিগী মেম্বরশিংদা য়াম্না খুদোং চারগনি। শম্না হায়বা তারবদা উখ্রুলদা নৎত্রগা তমেংলোংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি অমনা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি, ইম্ফালগী লাইব্রেরিদা লাইরিক অমা নৎত্রগা ঈ–পাউ লাইব্রেরি নেটৱার্ক লৈরবদি লায়না খঙনবা য়াগনি।

চাংজৌ নাইদ্রবা লৌশিংগী ঈপাক্তা অচুম্বা লৌশিং থিদোক্তুনা মা–মাগী পন্থুং য়ৌবা ঙম্নবগীদমক্তা সাইন্তিসশিংনা লেবোরেটোরিদা অমসুং সোসিয়েল সাইন্তিসশিংনা সমাজদা য়ুম্ফম ওইরগা লাইব্রেরিগী মতেং লৌদুনা হোৎনৈ। মদুনা অমুক মায় পাক্লবা মতমদা মদুবু অমু ইথোক্তুনা মথংগী মীরোন্দা খঙহন্নবা হোৎনৈ। লাইব্রেরিনা মদুবু অমুক লৌশিল্লি অদুগা নৌনা হৌগৎলক্লিবা সাইন্তিসশিংদা পাহল্লি অমসুং রিসর্স তৌরগা অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংহল্লি। মরম অদুনা কনাগুম্বনা লাইব্রেরিবু লৌশিংগী ঈফুৎ নৎত্রগা ঈশিং চাইবী হায়না কৌনৈ।

হায়নবা লৈ, মদুদি কনাসু হৈনা পোক্লকপা নত্তে, তম্লগা হৈরকপা ঙাক্তনি অমসুং তম্বগী লোয়বা লৈতে। অদুনদি ঐখোয় লেপ্তনা তম্বা তাই, পাবা তাই অমসুং থবক ওইনা পাংথোক্তুনা মীওইবা সমাজদা কান্নবা থবক খরদি তৌদুনা উৎলম্বা তাই। মীওইবনা মমা–মপাদগী, য়ুমলোন কৈরোন্নবদগী, মরুপ–মপাংদগী অমসুং ওঝা –গুরুদগী তম্লিবা অসি পূম্নমক্কী মথক্তা মশানা মশাবু মহৈ তমজনবগী খ্বায়দগী ফবা উপাইদি লাইব্রেরিনি।

মতমগী মমলদি লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। লাইব্রেরিগী লোদসু অপাবা মীগী মতম মাংহনগনু হায়বা লৈ। মরম অদুনা লাইব্রেরিয়ান্না য়ারিবমখৈ থুনা লাইব্রেরিদা লাকপা মীগী অপাম্বা লাইরিক নৎত্রগা ঈ–পাউ অদু থিদোক্তুনা পীবা দরকার ওই। অদুনদি হৌজিক মীওইবা অমনা মপুন্সি চুপ্পা অচুম্বা লৌশিং ফংনবগী খ্বায়দগী ফরবা পাম্বৈ অমা ওইরিবা লাইব্রেরিদগী করম্না করি দোক্যুমেন্টতগী করম্বা মখলগী লৌশিং ফংগদগে হায়বদু অমুক্তং নৈনদুনা য়েংসি।

১। লাইব্রেরিদা হেক চংবগা ইহান হানবমক্তদা লাইব্রেরিগী কেটলোগ উবা ফংগনি। কেটলোগতা লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিক্কী মমিং মথা অমসুং মদুনা লৈরমগদবা মফম ফাওবা তাকই। হৌজিক্কী কম্প্যুটরাইজ তৌরবা লাইব্রেরিশিংদদি OPAC শীজিন্নদুনা লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিক থিদোকপদা য়াম্না লাইহল্লে খঙদ্রগনা লাইব্রেরিয়ান্দা হংগনি।

২। সিলেবসকা মরী লৈনবা লাইরিক পাগে হায়বদি টেক্সবুক পাগনি। অদুগা অৱা পোত্থানবা অমসুং বিষয় অমগী মরমদা কনা কনানা করি ইখ্রবা হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি পোইত্রি, দ্রামা, ফিক্সন অমসুং মোনোগ্রাফনচিংবা পাগনি।

৩। ঙসি ঙরাংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্কী মরমদা খঙগে হায়রবদি খবর, রেডিও, টেলিভিজন অমসুং ইন্টরনেটকী মতেং লৌগনি।

৪। থৌদোক ৱাথোক খরগী মরমদা মরিক চুম্বা পাউদম, অনৌবা বিষয়গী ৱাখল্লোন, ওর্গনাইজেসনগী পাউজেল অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি পেরিওডিকেল, নিউজলেটর, রিসর্স রিপোর্ট, পমফ্লেট অসিনচিংবা পাগনি।

৫। বনান, খোম্হোক, ৱাহৈগী অর্থ, ৱাহম্হোক সিনোনিমস–এন্টোনিমস এব্রিএভিএসন, সিম্বোল, প্রামান পাম্বৈ অসিনচিংবগী য়াওফম থীগে হায়রবদি দিক্সনারি য়েংগনি।

৬। করিগুম্বা ৱাহৈ অমগী নৎত্রগা বিষয় অমগী মরমদা তঙাই ফদনা খঙদ্রবা য়াদ্রবা ৱাফমশিং খুদম ওইনা ৱাহৈ নৎত্রগা বিষয় অদু করম্না হৌরকপা হৌজিক্লা করম্বা ফিভমদা লাক্লবা হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি ইনসাইক্লোপেডিয়া য়েংগনি।

৭। লম লমগী ওইবা মমাংগী চহি ফাওবদা ওইখিবা ফিভম, মী অমা ওইনা খঙদবা য়াদ্রবা লৌশিং, ইন্সটিট্যুসনশিংগী মমিং, লৈফম, থৌদাং, থবক তৌরিবা মীগী মমিং–মথা অমসুং টেলিফোন নম্বরনচিংবা খঙগে হায়রবদি ইয়ারবুক, জেনরেল নোলেজ, ডাইরেক্তোরিনচিংবা য়েংগনি।

৮। ভৌগোলিক্কী ওইবা ফীবমশিং, চত্থোক চৎশিনগী লম্বী–থোং, কোইবদা নুংঙাইবা মফমশিং অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি এটলাস, গেজেটির, মেপ, ত্রেভেল গাইদনচিংবা য়েংগনি।

৯। মীগী পুন্সিগী ৱারি খঙগে হায়রবদি হু ইজ হু, হু ৱাজ হু, বাইওগ্রাফিকেল দিক্সনারিনচিংবা য়েংগনি।

১০। অকক্নবা চহিগী মনুংদা পুথোকপা পোত্থোক হেনগৎলকপা মীশিং অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি ষ্টেটিষ্টিককেল ইয়ারবুক, সেন্সর রিপোর্ট অসিনচিংবা য়েংগনি।

১১। লাইরিক্কী মমিং মথা, মমল, ফোঙফম, চহি অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি বিব্লিওগ্রাফি, কেটলোগনচিংবা য়েংগনি।

১২। করম করম্বা পেরিওদিকেলদা করি করি ফোঙখ্রবা মদুগী শন্নপ্পা শক্তম্না করিনো হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি এবস্ত্রেক্ত, করেন্ট কন্টেন্স, ইন্দেক্সনচিংবা য়েংগনি।

লাইব্রেরিদা থম্বা লাইরিক হায়বা অসিমক্তবু লাইরিক্কী অফ–ফত্তা কুপ্পা খঙলবা লাইব্রেরিয়ান অমসুং বিষয় কয়াদা খঙ হৈরবা ওঝাশিংগা তানরগা লৈবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা লাইব্রেরিদা ফত্তবা লাইরিক লৈবা হৌনদে। হৌজিক্কি মতমদবু লৌশিংগী করি অৱাৎপা অমুক লৈরিবগে? অদোমগী লৌশিংগী অপাম্বা অদুদা লৈবিয়ু অমসুং লাইব্রেরিদা চঙদুনা মথক্কী পাম্বৈ ১২ অসি শীজিন্নদুনা অপাম্বা মখলগী লৌশিং তান্সিনবিয়ু। করিগুম্বা অদোম্না অপাম্বা ৱাখলগী লৌশিং অদু ফংবা ঙমদ্রগদি চঙদুনা বৈজ্ঞানিকশিংনা শোইদ্রে হায়দুনা প্রমান তৌরগা ইথোক্তুনা থম্লবা লাইরিকশিং পারবা মতমদা ওইগনি। লাইব্রেরি হায়বসি মীয়ামগীনি। মীয়াম্না অদুক্কী মতিক লৌশিং ঈখৌ লাংলগা লাইব্রেরিগী থৌদাং হেনগৎলক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা অশেংবা লৌশিং মীপুম খুদিংদা ফংহনবগা লাইব্রেরিগা তৎন–থান য়াদ্রবা মরী লৈনৈ।

কর্সিঃ সোভনিয়র, ২২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার, ২০১৩